বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীল্লগা ইম্ফাল হোটেলদা লাক্লিবা এসেম্ব্লী মীখল ২০২২গা মরী লৈননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মেনিফেষ্টোগীদমক পাঙথোকখিবা পব্লিক এস্পিরেসন মীটিংদা দেজ মেম্বর ওইখিবশিং

ASSEMBLY ELECTION 2022
PUBLIC ASPIRATION MEETING
FOR THE MANIFESTO
OF BJP MANIPUR PRADESH

রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন্স মণিপুরনা হৌখিবা দিসেম্বর ৫দগী হৌরগা দিসেম্বর ৯ ফাওবা চথ্লগদবা ষ্টেট লেভেল এগজিবিসন ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প

শ্রীদিনা শীন্দুনা অগরতালাগী রবিন্দ্র ভবনদা পাঙথোকখিবা অৱ্রেটি উৎসব থৌরমদা ত্রিপুরাদা লৈবা মৈতৈ নিঙোল সরিতা অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা হিজম ইরাবতকী শৈরেং পাথোক্তুনা মীয়ামদা তাহনখিবা

৬ষ্ঠ ভারত-বাংলাদেশ আবৃত্তি উৎসব-২০
২০২১

মণিপুর মুস্লিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)না শীন্দুনা জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী ১১শুবা মপোক নুমীৎ থৌরমদা দেজ মেম্বর ওইখিবশিংনা ৱা ঙাংবা

Manipur Muslim Welfare Organisation
(MMWO)
11th Foundation Day Cele
on 7th December, 2021

‘অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম পুনশিন্দুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কা হেনবা লিচৎশিং থেংনমিন্নবা মতম ওইরে’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম পুনশিন্দুনা অপূনবা পাঙ্গল অমা শাগৎতুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কা হেনবা লিচৎশিং অসি থেংনমিন্নবা মতম ওইরে হায়না পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুর, ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিএসন (অমৱোভা) অমসুং ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পোইরৈ লৈমরোলগী ভাইস প্রসিদেন্ট সোরাইশম মেমচা, অমৱোভাগী জেনরেল সেক্রেটরি কে এস ঐচ সুজাতা অমসুং অমুকোগী সেক্রেটরি জেনরেল ডা. নোরেন্দ্রো থোকচোমনা পুন্না খুৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা দিসেম্বর ৪গী নুংথিল পুং ৪ খরা হেল্লকপা মতমদা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা টিজিৎ সব-দিভিজনগী লাওংখাও এরিয়াদা লৈবা ওটিং খুলদা অসাম রাইফলসনা কোল মাইনদা থবক শুরুরগা ময়ুমদা হল্লকপা মরাল লৈজদ্রবা শিন্মী ১৪বু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোকপগী থৌওং অদু অমুকো, অমৱোভা অমসুং পোইরৈ লৈমরোলনা অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই। মরমদি অসাম রাইফলসনা ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামদা চহী কয়াগী মমাঙদগী শাথিবা মীহাৎ, নুপীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবা, মী ফাগ্রগা মশা থিবা খঙহনখিদবগী থৌদোকশিং অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে। অদুবু নোংপোক লমদমগী মনুংদা মণিপুরদনা অসাম রাইফলসনা/ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খ্বাইদগী হেন্না থৌওং চথ্দুনা লাকখিবনি। ইন্দিয়ন ফোর্সশিংনা/অসাম রাইফলসনা অৱাং নোংপোক লমদমদা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবগী থবক কয়া তৌরিবসি আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট ১৯৫৮কী মরুমদনি। অসুক শাথিবা থবক কয়া ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীচম মীয়ামগী মথক্তা চথবেগী পৱার পীরিবা অফস্পা ১৯৫৮ অসি মীয়াম্না কয়ারক হন্না অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লৌথোকপীনবা হায়জরবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা তাবীদনা লাক্লি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীচম হাৎলগা অফস্পাগী মরুমদা চৈরাক ফংহন্দ্রবদি ইন্দিয়া অসি খ্বাইদগী শাথিবা মিলিটরাইজেসননি, দিমোক্রেসি নত্তে হায়না লৌগনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কোল মাইনদা থবক শুরুরগা ময়ুমদা হল্লকপা মীচম শিন্মী ১৪ অসাম রাইফলসনা মীনুংশি লৈতনা অমদি করিগুম্বা ৱাহং-পাউহং অমত্তা হংবগী তাঞ্জা লৌদনা হেক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা অমদি মদুগী য়ানিংদবা ফোঙদোকপা মফমদুগী মীয়ামদা অমুক্কসু নোংমৈনা কাপশিন্দুনা মীশি-মীনা য়াওহন্দুনা মীওই কয়া শোকহনখিবা থৌওং অদু মালেমদা লৈরিবা মীওই অমত্তনা চুম্মী হায়রক্লোইদবা থৌদোক অমনি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লান্মীদা অহেনবা পৱার পীশিন্দুনা অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সেসশিংগী কা হেন্না হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনগী থবকশিংবু কনখৎতুনা অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম্বু নম্ফু-হাফু তৌদুনা নমশিল্লগা থম্নবা মতম পুম্নমক্তা হোৎনরি। মদুগী ময়েক লারবা খুদমনি হৌজিক হৌজিক নাগালেন্দদা মীচম হাৎখিবা অদুগী মখা তারকপদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মরাল লৈবশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপগী মহুৎতা শুপ্পতগী ইনক্কারি তৌগনি হায়না লৈরিবা অসিনি।

কুমজা ১৮৩৫দা সিফাই ৭৫০ রোম্না কছার লেভি ওইনা লিংখৎখিবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা পেরা মিলিটরি ফোর্স অসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদগী চীংমীশিংগা অদুক্কী মতিক অফবা মরী থমদুনা থবক তৌবগীদমক্তা অমদি জপানিজ ফোর্সশিংগী এটেকশিংবু ফজনা থেংনবগীদমক মখোয়বু ‘ফ্রেন্দস ওফ হিল পিপল’ অমদি ‘সেন্টিনেলস ওফ নোর্থ ইষ্ট’ (চিংমীশিংগী মরুপ অমদি অৱাং নোংপোক লমদমগী থোঙশংবা) হায়না খঙনদুনা লাকখিবনি। অসাম রাইফলস মশানসু ৱাফম অসি য়াম্না তোয়না হায়জরিবনি। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা অসাম রাইফলসনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লিশাং শিৎনা তৌরক্লিবা হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসনগী থবক ময়ামসিনা মখোয়সিবু ফ্রেন্দস ওফ হিল পিপল অমদি সেন্টিনেলস ওফ নোর্থ ইষ্ট ওইরিব্রা। অসাম রাইফলসকী মথক্তা থেঙ্খাং কয়াদা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্না তৌখিবা মশীং থিঙমদ্রবা প্রোটেষ্ট ময়ামদুনা মখোয়সি মীয়াম্না খ্বাইদগী য়াদবা পেরা মিলিটরি ফোর্স অমা ওইরে। কুমজা ২০০৪গী জুলাই থাদা অসাম রাইফলসনা বামোনকম্পুদগী থাংজম চনু মনোরামাবু নুপী ওইবীগী ঈকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎতোকপগী মায়োক্তা মণিপুরদা মীয়ামদা অসাম রাইফলসকী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ কয়া হৌখিবগা লোয়ননা মতমদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা হকথেংননা ৱাকৎলবসু মীয়াম্না পাম্বা থাক্তা থবক তৌবীখিদে। য়াম্না ফোং-ফোং শাবা থৌদোক অমা ওইরিবা নাগালেন্দদা অসাম রাইফলসনা মীচম ১৪ হাৎপগী মায়োক্তা খোয়শাউনরবা মীয়াম্না দিসেম্বর ৫দা অসাম রাইফলসকী কেম্পকী মফম কয়া মৈ থাখিবগী থৌদোকশিং অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরুওইবা লুচিংবশিংনা হৌজিক ফাওবা নাগালেন্দগী অমদি নোর্থ ইষ্ট মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌদ্রি। অৱাংবা থাক্তা ইনক্কারি তৌরগনি হায়না ইৱায় লায়না লৈথোক্লি। মসিনি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা য়েংলিবা মীৎয়েং অমদি উৎলিবা থৌওং। হৌজিক্তি অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম পুনশিন্দুনা অপূনবা পাঙ্গল অমা শাগৎতুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী কা হেনবা লিচৎশিং অসি থেংনমিন্নবা মতম ওইরে। নোর্থইষ্টতগী অফস্পা লৌথোক্লনবা হোৎনবদা ষ্টেট অমমমনা তোঙান তোঙান্না খোঙজং চঙশিনমিন্নবগী মহুৎতা নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম হুপ্পা অপূনবা খোঙজং চঙশিন্দুনা খোল্লাওদু অমুক্কা হন্না লাউমিন্নবগী মতাং মতম চারব্রা হায়বদু নাগালেন্দগী থৌদোক অসিদগী ওইরে হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অমত্তদা কম্প্রোমাইজ তৌবা য়ারোই : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু)গী লেন্দ ওনরশিপ অমদি নোমেনক্লেচরগী মতাংদা হীরম অমত্তদা কম্প্রোমাইজ তৌবা য়ারোই। করিগুম্বা মসিদা কম্প্রোমাইজ তৌবা তারবদি মৈতৈশিংগী অশাউবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিদা হৈথরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে হায়না সেঞ্জম খুনৌ এন্দ সেঞ্জম চিরাং জোইন্ট দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস কে এস সী জে দি ও)গী জেনরেল সেক্রেটরি নোংথোম্বম রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মতম শাংনা চহী কয়া তূমদুনা লৈরুরগা হন্দক কোন্সা খুলনা চহী অমা অনীসিদা এন এস য়ুগী লমগী মপুনি হায়না ক্লেম তৌরকপা অসি অঙকপা ৱাফমনি। হায়রিবা এন এস য়ু শাফমগা মরী লৈনবা লম অসি সেঞ্জম খুনৌ, সেঞ্জম চিরাং, কৌত্রক্কী ইপা-ইপুশিংনা মমল পীদুনা লৈখ্রবা অশেংবা মৈতৈশিংগী লমনি। মসিদা কোন্সা খুলনা মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরকপসি তৌবীগনু। ইফ-ফজনা নুংশিননবা হোৎনবনা হেন্না চুমগনি খল্লি। মদুগী মহুৎতা মসল পৱার শীজিন্নরগা নম্ফুদা লৌগনি হায়রগদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম লাক্লিংঙাই লৈরোই হায়বগী ৱাফম লৈতে। মদুগী মহুৎতা রুল ওফ লো লৈবা লৈবাক অসিদা কোর্টতা ওইনা থেংনবনা চুমগনি। অসুম্না কোর্টতা ওইনা থেংনবনা কোন্সা খুলবু মীয়াম্না হেন্না থাগৎপা ওইগনি। মদু নত্তদুনা নম্ফু-হাফুগী থবক্তি তৌদবনা হেন্না ফগনি খল্লি। অসিগুম্বা লমগী মতাংদা কোন্সা খুল নত্তনা অতোপ্পা জোইন্ট ত্রাইব ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (জে টি এস এ)না মতুংদা য়াওশিনবীগনু। এন এস য়ু শাগদবা মফম অসি সেঞ্জম চিরাং, সেঞ্জম খুনৌ অমদি কৌত্রক্ক খুল অহুমগী অশেংবা লমনি। মসিদা কনা অমত্তনা খুৎ থিংজিনবীদনবা নীংশিংজরি।

এন এস য়ু শাগদৌরিবা লম অসি ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংনা লৈরম্বা অশেংবা লমনি। মসিগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তনা মসল পৱার শীজিন্নরগা ঐখোয়দগী মুনগে খল্লবদি মদুগীদমক চপ চাবা পাউখুম ফংগনি। হীরমসিগী মতাংদা লৈঙাক্লসু কুপ্পা খন্থবীরগা থবক পায়খৎপীয়ু হায়নসু সেঞ্জম খুনৌ এন্দ সেঞ্জম চিরাং জোইন্ট দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি নোংথোম্বম রাজেননা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): দিরেক্টোরেট ওফ এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি (সী এ য়ু)না শীন্দুনা ঙসি ফৌগাকচাও ইখাই অৱাং লৈকায়দা রিসেন্ট এদভান্সেস ইন এগ্রি এন্দ এলাইট সেক্তর হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

হায়রিবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা তোর্বুং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান সী ঐচ সনাহনবী, আই সী এ আর সোসাইটি ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কে ঐচ নবচন্দ্র অমসুং এক্সটেন্সন এদ্যুকেসন, সী এ য়ুগী দিরেক্টর পি ঐচ রঞ্জিৎ শর্ম্মানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা আই সী এ আর সোসাইটি ন্যু দেল্লীগী মেম্বর কে ঐচ নবচন্দ্রনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী কুমজা ২০২০দা লৌমীশিংগী ইনকম দবল ফংহন্ননবা হোৎনরিবা অসিদা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংদা হেন্না মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা ৱাফম থমখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা লৌমী ৫০দা য়েন্নাও মচা য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা ডা. টি ঐচ সুশিলকুমারনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

সী পি আই-এমনা কন্দেম তৌরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টতা লান মীনা চথখিবা ওপরেসন অমদা মীচম কয়া শিখিবা থৌদোক অদু সী পি আই-এমনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না সী পি আই-এম মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু সী পি আই-এমনা শরুক য়ারি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীননবা লাউথোকপীগদবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা ইনভেষ্টিগেসন অমা অথুবদা চথ্দুনা মরাল লৈবশিংবু চৈরাক পীননবা হোৎনগদবনি। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ২৫গী কম্পেন্সেসন অমদি মতিক চাবা থবকশিং পীগদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মেদিকেল কেম্প

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন্স মণিপুরনা হৌখিবা দিসেম্বর ৫দগী হৌরগা দিসেম্বর ৯ ফাওবা চথ্লগদবা ষ্টেট লেভেল এগজিবিসন ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজগী মনুং চন্না ঙসি এগজিবিসন অসিদা শরুক য়াখিবশিং অমদি এস্কোর্টশিংগী ওইবা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। হায়রিবা কেম্প অসিদা রিমসকী কম্যুনিটি মেদিসিন দিপার্টমেন্টকী ডোক্তরশিংনা লায়েংখি। লোয়ননা শীল্লি-লাংলিবশিংনসু হিদাক লাংথক লেন্না পীখি হায়রি।

জি বি মীফম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): হৌখিবা ওক্টোবর ১৩দা ফমখিবা এগজিকুটিভ কন্মিটিগী মীফমগী মতুংইন্না লাক্লিবা দিসেম্বর ১১দা ওল মণিপুর এক্রিদিয়েটেদ সোসল হেল্থ এক্টিভিষ্ট (অশা) ৱার্করস য়ুনিয়নগী জেনরেল বোদি (জি বি) মীফম ইরাবত ভবন ইম্ফালদা পাঙথোকপগা লোয়ননা রোল ওফ অশা ৱার্করস হায়বা হীরম অসিদা খন্ন-নৈনগনি। মণিপুরগী ষ্টেট কেবিনেটনা অশা ৱার্করশিংগী থাগী লুপা লিশিং ১ হাপকৎনবগী ৱাফম অমসুং মখা তাবা দিমান্দশিংগী মরমদসু খন্ন-নৈনগনি। দিষ্ট্রিক্ট, সী ঐচ সী, পি ঐচ সী অমদি য়ু ঐচ পি সী খূদিংমক্কী মীহুৎশিংনা মতম চানা লাকপীননবা য়ুনিয়ন অসিগী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি হায়না ওল মণিপুর এক্রিদিটেদ সোসল হেল্থ এক্টিভিষ্ট (অশা) ৱার্করস য়ুনিয়নগী কনভেনর ও প্রমোদিনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অফস্পা ১৯৫৮ নোর্থইষ্টতগী মরু ফংনা মুখৎকদবনি : য়ু সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): দ্রাকোনিয়ন লো হায়না খঙনরিবা অফস্পা ১৯৫৮ নোর্থইষ্ট ষ্টেটশিংদগী মরু ফংনা মুখৎকদবনি হায়না য়ুনাইটেদ কন্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়ু সী এমগী আই পি আর সেক্রেটরি লৈশেম্বা লমাবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা দিসেম্বর ৪দা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ওটিং ভিলেজদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অমদা মীচম ১৪দা লৈখিদবদা য়ু সী এমনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি লোয়ননা অৱাবা তারবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু য়ু সী এমনা শরুক য়ারি।

অসিগুম্বা থৌদোক অসি নোর্থ ইষ্ট রিজনদা অহানবা নত্তে। মতম কয়াগী মমাঙদগী চথরক্লি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তীনখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নোর্থ ইষ্ট রিজনদা মীওইবা খুন্নাইদা মতমগা চুনদ্রবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট ১৯৫৮ থমজিন্দুনা মীচম মীয়াম্বু নোংমা কাংদনা মীওৎ-মীনৈ কয়াবু চথরি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং অসি পুনশিন্দুনা অমত্তা ওইন মতমগা চুনদ্রবা অফস্পা অসি লৌথোক্লনবা হোৎনবদা য়ু সী এমনা অচৌবা থৌদাং লৌজগনি। মালেমগী মফম খূদিংমক্তা চৎনদ্রবা, মীওইবা খুন্নাইনা তুক্কৎচনরবা, মরম চাদ্রবা এক্ট অসি মতম চুপ্পগী ওইনা মরু ফংনা নোর্থ ইষ্ট রিজনদগী লৌথোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ক্যেরটেকর চ্যেরপর্সনশিংনা চীফ মিনিষ্টরবু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): মথৌ তৌবগী মতম লোইখ্রবা মণিপুরগী অর্বান লোকেল বোদি অমা ওইরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংগী চ্যেরপর্সনশিংবু মাগী মাগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ক্যেরটেকর চ্যেরপর্সন ওইনা হাপ্পকপদা মণিপুরগী অর্বান লোকল বোদি (ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল) ২৬কী চ্যেরপর্সনশিংনা মহুদকী ফমসু পুরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনবু ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা থাগৎপা অমসুং তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

মণিপুরগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল ২৬কী চ্যেরপর্সনশিংনা শরুক য়াদুনা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ককচিং গার্দেনদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শুগুনু ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ক্যেরটেকর চ্যেরপর্সন এম সরতনা ফোঙদোরকপদা, মণিপুরগী য়ু এল বিশিংগী মতম লোইখ্রবসু নৌনা মীখল পাঙথোকপা ঙমদবনা সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিং মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমদবনা মরম ওইরগা প্রোগ্রামশিং অসিবু মপুং ফানা পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক য়ু এল বিশিংগী চ্যেরপর্সনশিংবু ক্যেরটেকর চ্যেরপর্সনশিং ওইনা হাপ্পকপা অসিগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎলি। ফ্লেগশিপ প্রোগ্রামশিং অসিবু মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা ৱাৎতুনা লৈরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংগী ষ্টাফশিংগী পোষ্ট ক্রিএসন তৌনবা প্রোসেস তৌবা লোইদুনা লৈখ্রবা অদু মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ক্যেরটেকর চ্যেরপর্সন টি ঐচ শ্যামোনা ফোঙদোরকপদা, মীয়ামগী য়াইফনবা খনবীদুনা মতম লোইখ্রবা য়ু এল বিশিংগী কাউন্সীলরশিংনা পায়খৎলম্বা লোইশিনবা ঙমহৌদ্রবা পন্দুনা লৈরিবা থবক থৌরমশিং নৌনা ক্যেরটেকর চ্যেরপর্সন ওইনা হাপ্পক্লিবশিংনা মপুং ফানা পায়খৎপা ঙম্নবগীদমক ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলশিংগী পন্দুনা থাদোক্তনা লৈহৌবা শেনফমশিং থাদোকপীয়ু হায়খি।

সী এমনা অফস্পা রিপিল তৌননবা তকশিনবীয়ু : সী এস সী ঐচ আর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): অৱাং নোংপোক্কী সী এমশিংনা অফস্পা রিপিল তৌননবা তকশিল্লিবা অসিদা শরুক য়াদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু অফস্পা রিপিল তৌননবা তকশিনবীয়ু হায়না সিভিল সোসাইটি কোলিসন ওন হ্যুমেন রাইটস ইন মণিপুর এন্দ দি য়ুনাইটেদ নেসন্স (সী এস সী ঐচ আর)গী কনভেনর ফুলিন্দ্রো কোন্সমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা দিসেম্বর ৪দা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ওটিংদা আর্মদ ফোর্সেসশিংনা কোল মাইনগী লেবরশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা হাৎখিবা অমদি থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবদা মীচম ১৬ শিখিবা অমদি মীওই কয়া অমনা অশোক-অপন নংখিবা থৌদোকসী এস সী ঐচ আরনা কন্দেম তৌই। থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর অমদি মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টরনা দ্রাকোনিয়ন লো অফস্পাবু রিপিল তৌননবা ৱাফম কয়া থমখ্রে। ইস্যু অসি হৌজিক হৌজিক চথরিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসনদসু নিলদুনা লৈরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা তুমীন্না লৈশিনবা অসি অঙকপা পোকই। মণিপুর লৈঙাক্লসু মীয়াম্না মতম কুইনদগী তান্দুনা লাক্লবা দিমান্দ অসি ফংহন্ননবা অফস্পা রিলিপ তৌনবা তকশিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মীয়াম্বু মোইথেম তৌবা লাক্লিবনি হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নসি : সমাতা পার্টি য়ুথ সেল

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অমদি বি জে পিনা লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী মিনিষ্টর কয়া লাক্লিবা অসি মীয়াম্বু মোইথেম তৌবা লাক্লিবনি হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্না খঙমিন্নসি হায়না সমাতা পার্টি য়ুথ সেল মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট এম দি জিয়াউল-হকনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লায়রবা মীয়াম শিরসনু মতাগুম নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ-চৈগী মমল কন্ট্রোল তৌদবা, চাকথোং গ্যাসকী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংলকপদা করিসু নাচুংদবা, থাউগী মমল নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা, বি জে পিগী মীরেপতা ভোট পীরবদি অদু তৌগনি, অদা তৌগনি হায়জিন্দুনা দিভেলপমেন্টকী থবক্তি ইতৌ তৌদনা মীয়াম্না পংথহন্ননবা হোৎনরি। চহী মরি মখায় খরা হেল্লকপা অসিদা লৈখিবা মখোয়গী অশোয়বশিং অদুবু কুপশিন্ননবা হোৎনরিবা অসিদা লৈবাক মীয়াম্না থাজবা লৈত্রে হায়বসি খঙজদুনা হাপ্তা কাংদনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং, বি জে পি লৈঙাকপা ষ্টেটশিংগী মিনিষ্টর কয়া লাক্লিবা অসিদা মণিপুরগী ওইবা মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংনা থবক পায়খৎপগী মহুৎতা বি জে পিদা ভোট পীয়ু, লৈঙাক অমুক্কা পায়হল্লু হায়বা থৌওং অসিনা তাকপদি হৌজিক লৈরিবা বি জে পি লুচিংবা সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী লৈঙাক অসি এদভর্টিজ প্রোপোগন্দা খক্তা তৌখিবা অদু মীয়াম্না লোইনা খঙলে হায়বসি ৱাখল তারক্তুনা মীয়ামদা মোইথেম তৌবা লাক্লিবনি হায়বসি খঙমিন্নসি। মণিপুরদা হৌজিক বোর্দরগী অচৌবা ইস্যু অমা লৈরিবা অসি করিগীদমক লৈঙাক অসিনা হৌজিক ফাওবদা মীয়ামগী পেন্ননবা থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদ্রিবনো।

সমাতা পার্টিদি সোসলিজমদা থাজবা থম্বা, ঐখোয় অমত্তনি, লায়র-ইনাক খুনবা, অচৌ-অপীক খায়দবা, অৱা-অনা, তোল্ল-তারবশিংবু মতেং পাংমিন্নবা, ঐখোয় পুম্নমক থোং মান্ননা হিংমিন্নদুনা চাউখৎপা পুরক্লবা পান্দম থল্লদুনা মণিপুরবুসু থোং মান্ননা চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা হেন্না খুদোংচাননবগীদমক সমাতা পার্টি মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিগী প্রসিদেন্ট হাজি অসরফ আলিবু নেসনল এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইনা হাপ্পীরক্লে। মসিগীদমক পার্টি অসিগী নেসনল লিদরশিংবু সমাতা পার্টি য়ুথ সেল মণিপুর ষ্টেট কন্মিটিনা তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

দ্রগ এদিক্সন ট্রিটমেন্ট সেন্টর শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর মুস্লিম দিভেলপমেন্ট কন্মিটি (এ এম এম দি সী) অমদি ন্যু লাইফ এন্দ ন্যু ৱে মেনেজিং কন্মিটিনা পুন্না শীল্লগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোং কালৈখোংদা ন্যু লাইফ এন্দ ন্যু ৱে হায়বা দ্রগ এদিক্সন ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমা শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লিলোং এ সীগী এম এল এ য়ুমখাইবম অন্তাস খাননা ফোঙদোকখিবদা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা এদিক্ট ওইরবা মীওইশিংবু লোৎশিন্দুনা থমজিনবগী মহুৎ মখোয়বু রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা থমদুনা মখোয়গী তুংগী পুন্সি কলহৌনবা হোৎনবীয়ু। লমদমসিদগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুখৎননবা পায়খৎলকপা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম খূদিংনা অঙম্বা থাক্তা সপোর্ট তৌগনি। লিলোংদা অসিগুম্বা দ্রগ এদিক্সন ট্রিটমেন্ট সেন্টর অমা লৈরকপা হায়বসি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ন্যু লাইফ এন্দ ন্যু ৱেগী কোওর্দিনেটর ওইবদা নত্তনা এ এম এম দি সীগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা পুশম সহিদ অহমদনা হায়খি, দ্রগ এদিক্সন ট্রিটমেন্ট সেন্টর অসি শেনেদাং তান্নবগী খল্লগা লিংখৎপা নত্তে। কনাগুম্বা মীওই খরনা লান্না উবীবা য়াওরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। লমদমসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা কয়ানা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাওদুনা নত্তবা লীচৎ চথরক্লিবা কয়া অসিদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙমহৌননবগী ৱাখল্লোনদা লিংখৎপনি। তুং কোয়না মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্ননবা সপোর্ট তৌবীয়ু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এ এম এম ও সী ও সীগী প্রসিদেন্ট এস এম জলাল, য়ু এম এম দব্লিয়ু দি ওগী প্রসিদেন্ট অনৱারি নুরজহান, কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়ো, কে কে কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর এম দি অল্লাউদ্দিন, রিটায়র্দ দি এস পি, এম দি নসির অহমদ, এ এম এম দি সীগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি এম দি নুরুল অমিন অমদি মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ইম্ফাল কোলেজ এইমস য়ুনিট কাউন্সীল হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)না মহৈ লোয়শঙ কয়াগী অৱাৎ-অপা অমদি মহৈরোয় খুন্নাইগী ওইবা চাউখৎ থৌরাংগী শিনলম-শিন্থ্না কয়া পাঙবদা হেন্না মতিং লৈবা অমদি পাঙ্গল লৈনা থবক থৌরম কয়া হেন্না পায়খৎপা ঙম্নবগী পান্দমদা ইম্ফাল কোলেজকী মহৈরোয়শিংগা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা এইমস ময়াই লোয়শঙগী সেক্রেটরি জেনরেল নিকর্সন খুমনচাগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল কোলেজ এইমস য়ুনিট কাউন্সীল হাংদোকখ্রে হায়না এইমসকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোসন খুমুজমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, য়ুনিট কাউন্সীল অসিগী থৌ পুগদবশিং অদুদি হেম্বা অসেমনা প্রসিদেন্ট, হেম্বা সগোলশেমনা ভাইস প্রসিদেন্ট, পূজা খুন্দ্রাকপমনা জেনরেল সেক্রেটরি, নিকি এলাংবম অমসুং মাধুরি চিংথামনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি, থৌদাম মহেশনা ফাইনান্স সেক্রেটরি, ষ্টেলোন খাঙেম্বম এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরি, জেক্সন চিংথামনা ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, সনধ্যারানি ইগুম অমসুং লোইতোংবম থোইবী চনুনা এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি, নিলাকান্ত এলাংবমনা এদ্যুকেসন এন্দ একাদেমীক এফ্যের্স সেক্রেটরি, খ্বাইরাকপম রাকেশনা পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি, লাইশ্রম রিকিনা এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি, পুস্পা ওইনামনা সোসল এন্দ কলচর সেক্রেটরি, রোজি ওইনামনা এসিষ্টেন্ট সোসল এন্দ কলচর সেক্রেটরি, দোনাল্ড খুন্দ্রাকপমনা গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি, তোংব্রম অঞ্জলিনা এসিষ্টেন্ট গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি, জেসিকা লাইশ্রমনা ৱিমেন এফ্যের্স সেক্রেটরি, লিন্থোইঙানবী ওইনামনা এসিষ্টেন্ট ৱিমেন এফ্যের্স সেক্রেটরি, জয়লক্ষ্মী লাইশ্রমনা হেল্থ এন্দ ইনভাইরনমেন্ট সেক্রেটরি, সনসম মেনেকানা এসিষ্টেন্ট হেল্থ এন্দ ইনভাইরনমেন্ট সেক্রেটরি অমসুং ওজিৎ লাইশ্রমনা ওফিস সেক্রেটরিনি।

য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লূপ কয়ানা লেপ্তুনা তেংবাঙনরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ কয়ানা লেপ্তুনা তেংবাঙনরক্লি হায়না য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কন্মিটি, কৈবী সনাপাৎকী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গৈই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা নবেম্বর ১৯দা লংথবাল লেপ ময়াই লৈকায় অমদি থাংমৈবন্দদা লৈবা থিয়াম মাইকেল, মাইস্নাম বন্তি, মৈতানকৈশেংবম কিরন অমদি রাজকুমার পারিনা অঙাংশিংগীদমক অচা-অথকশিং পীবীরম্মী। নবেম্বর ২২দা শীংজমৈ মখা সোরোখাইবম লৈকায়দগী মোইরাংথেম ইবোমচা অমদি মোইরাংথেম ওংবী সোলেজা অনীগী মচানুপা ভিভেক মোইরাংথেমগী চহী ৪ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীবীবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫সু পীবীরম্মী। নবেম্বর ২২ নুমীৎসিমক্তদা তরেৎখুল মমাঙ লৈকায়দগী লৈমপোকপম সঞ্জিৎনা মাগী মচানুপী লিংজেল লৈমপোকপমগী চহী ২শুরকপগী মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা অঙাংশিংবু অচা-অথকশিং পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক আলু কে জি ৫০, ঙারি কে জি ১, কম্বল ১৩সু পীবীরম্মী। নবেম্বর ২৩দা শ্রী সৈত্য সাই সেবা ওর্গনাইজেসন, মণিপুর খুরাই সমিটিনা ভগবান সাই বাবাগী চহী ৯৬ শুরকপগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, তিলহৌ কে জি ১০, আলু কে জি ২০, শঙ্গোম পাউদর কে জি ১, চিনি কে জি ৫, অচাথাউ লিটর ৫, মোরোক কে জি ১, থুম, কোবী, সাপোন ১৫, সর্ফ পেকেৎ ১, কম্বল ১২ পীবীরম্মী। নবেম্বর ২৩ সিমক্তদা পোরোম্পাৎ থোং লম্বীদগী থিয়াম দোরেননা মহাক্কী মচানুপা য়াইখোম্বা থিয়ামগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক ফুরিৎ ১৩সু পীবীরম্মী। নবেম্বর ২৩ সিমক্তদা খুরাই থোইদিংজম লৈকায় লম্লোং ওইল পম্প মনাক্তগী রাজকুমার সুরেন্দ্র অমদি পাউনম ওমীতানা মখোয়গী মচানুপীশিং রাজ কুমারী বল্লি অমদি রাজকুমারী জুল্লিগা লোয়ননা হোমদা লাকপীদুনা রাজকুমারী জুল্লিগী চহী ১৭ শুরকপগী মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ৩, লফোই, এপল, মখল মথেলগী চোকলেৎশিং ফর্ষ্ট ক্রোপসিং, নটসিং লাকপীরিবশিংনা লুপা ৬০০সু তেংবাঙবীরম্মী।

নবেম্বর ২৪দনা ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা রাম কৃষ্ণ মিসনগী প্রসিদেন্ট পি ধনুকমার, সেক্রেটরি স্বামি নরেশনন্দ অমদি রিলিফ ইন-চার্জ স্বামি দেবদেবেস্বনন্দনা হোমদা লাকপীদুনা নিংথমথাগী অঙৗংবদগী শাফনবা অমদি অঙাংশিংগী তুংগী য়াইফনবগীদমক ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অঙাংশিং অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগীদমক প্লিস ব্লাঙ্কেৎ ১৭ পীবীবগা লোয়ননা চান-থক্লবা পোৎলমশিং, গ্রোসরি আইটেমশিং, সাপোন, ৱাসিং পাউদর, টুথ পেষ্ট, হেয়ার ওইল অমদি অঙাংশিংগী নিংথমথাগী শেৎন-ইন্নবা ফিরোলশিংসু পীবীরম্মী। নবেম্বর ২৪ সিমক্তদা ৱাংজিংদগী এলাংবম বিরবাবুনা মহাক্কী মচানুপা ইনুংঙানবা এলাংবমগী অহানবা চহীগী মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাক্লেন পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক চেঙ বেগ ২, অচা অথকশিংসু পীবীরম্মী। নুমীৎসিদা এম পি ডা. আর কে রঞ্জনগী মীৎয়েং মখাদা হোমগী লম্বীদা ষ্ট্রিট সোলর লেম্প ৩ থানবীরম্মী।

নবেম্বর ২৭ তনা কাঞ্চিপুরদগী রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ)কী থৌমীশিংনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, হৱাই কে জি ১০ পীবীরম্মী। নবেম্বর ২৮দনা লংথবাল লেপ অৱাং লৈকায়দগী থৌদাম কুমার অমসুং কৈন্যাহনবীগী মচানুপা থৌদাম কেনেদিনা মাগী মরুপশিংগা লোয়ননা হোমদা লাকপীদুনা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ২, ন্যউত্রিচোইস বিসক্কিৎ বোক্স ১, দ্রাই কেক বোক্স ১, অচাথাউ লিটর ১০, রোসগুল্লা তিন ৫, শ্বন্পাপরি পেকেৎ ৬, ইভিরিদে মিল্ক কে জি ১, চামনা, চিনি, বকেৎ য়াওবা সর্ফ ১, হৱাই কে জি ১০, সাপোন ১২ পীবীরম্মী। থৌরমসিদা য়াওবীরকপশিং থৌদাম সুরজিৎনা লুপা ৫০০ অমদি থৌদাম রোহিৎনা লুপা ১৫০০সু তেংবাঙবীরম্মী। নবেম্বর ২৯ দনা তোপ খোংনাংখোঙদগী লৈখিদ্রবী লিন্থোই থৌনাওজমবু নীংশিংজবা ওইনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা চহী কুমওন ৬লকশুবা নুমীৎকা মরী লৈননা লৈখিদ্রবীগী অপোকপা থৌনাওজম প্রিয়োকুমার, অপোকপী সেরাম স্বরমনলাতা অমদি মৌপ্পা শাফবা থৌনাওজমনা হোমগী অঙাংশিংগীদমক লুপা লিশিং ১০ পীবীরম্মী। নবেম্বর ২৯ সিমক্তদা শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদগী লোইতোংবম জনরঞ্জন অমদি আর কে লিন্দাগী মচানুপা লোইতোংবম পোইরৈঙানবগী চহী ৫ শুরকপগী মপোক নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা হোমদা পাঙথোকপীদুনা অঙাংশিংবু অচা-অথকশিং পীজবীবগা লোয়ননা মখোয়গীদমক চেঙ বেগ ২, হৱাই কে জি ১০, ঙা কে জি ৬, অচাথাউ লিটর ৫, তিলহৌ কে জি ৫ অমদি কম্পল ১৬সু পীবীরম্মী।

মীয়ামগী মতেংখক্তনা হিংজরিবা হোমসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা তেংবাঙবীরক্লিবশিংগী মফমদা হোমগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কন্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি।